# মুৎলমদাইগী মৈরি

## য়েংবদা নুংঙাইতবগী ৱানি, অদুম মুৎখ্রগদবনি

মালেমসিদা লৈবাক অচৌবা অমসুং মচাময়াম লৈবনিনা য়াম্না পাক-চাউই। মসিগী হৌনবা মীওইবা হায়বসিগী কাঙলূপ-ফূরুপসু য়াম্মী। য়াম্বগী হৌনবা মাগী-মাগী ওইবা লাইনীং অমসুং চহী মশীং থিবগী য়ূম্ফম অমসুং চৎনবীশিং তোঙান-তোঙান্না লৈনৈ। লৈবাকসিগী ওইনসু 'শকাব্দ' অমসুং 'চন্দ্রাব্দ' হায়না খঙনবা চহী মশীং থিবগী অমসুং পাবগী চহীরোনশিং লৈরক্লি। মসিগী মথক্তা লৈবাকসিগী চহী মশীং থিবগী থবকসি ফূরুপ-কাঙলূপ খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙান্না লৈনৈ। মরম অসিনা অনৌবা চহী হৌবা 'ন্যু য়র' গী নুমিৎসু অমগা অমগা মান্নদে। মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা 'জন্যুৱারী ১' বু অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি হায়না লৌনরকই। অসুম্মাইনা লৈরকপগুম্না মীতৈ/মৈতৈগীসু 'শজিবু নোংমা পানবা' নুমিৎপু অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি হায়দুনা খঙনরকই। নুমিৎসিদা 'চৈরাওবা' গী থৌরমসু পাঙথোকই। অদুগা মালেমগী য়ামখ্রবা ফূরুপ-কাঙলূপশিংনা মাগী-মাগী ওইজবা চহী মশীং (কুমশিং) থিবগী চৎনবী লৈরকপগুম্না মীতৈ/মৈতৈগীসু লৈ। যিশু খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈগী চহী ১৩৫৯দগীনা চহী ১৩২৯ হায়বদি (১৩৫৯ বি সীদগী ১৩২৯ বি সী) ফাওবদা হৌজিক্কীনা মণিপুর অমসুং মতমদুগী কংলৈপাকতা 'কোইকোই' হায়রগসু খঙনবা 'মলিয়া ফম্বালচা' হায়না খঙনবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মহাক্কী মতমদগী থিরকপা কুমজা মশীংসিনা হৌজিক্তি 'মলিয়াফম পালচা কুমশিং ৩৪২৩ শুজিনখ্রে' হায়না পানরক্লিবনি। হোয়, য়েকশিন-খোৎচিনহৌবা অমসুং অইবা পুৱারীনা চহী লিশীং ২ হেনবগীসু লৈজরক্তুনা শাগোন্নরক্লে হায়বগা লোয়ননা নিংথৌ মলিয়াফম পালচাদগী লাকখৎলগা লৌবদদি মীতৈ/মৈতৈসি মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা-কুইরবা ফূরুপশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু অসিগুম্বা ফূরুপসিবু হৌজিক খৃষ্টগী কুমজা ২০২৬ য়ৌশিল্লকপসিদা মুৎকদৌরে, মুৎলমদাইগী মৈরিদৌনা 'ফেরে-ফেরে' হাইদুনা লৈরে হায়বা ৱাফমসিবু চুম্না লন্নাই মীওই অমা-নিনা নৎত্রগা খরনা মরন্নাই ওইনা মথন্তা খনবনা খনবনি। ৱাখলদুনা মীওইশিংদুগী চিনবাল য়ৌরক্তুনা খোঞ্জেল ওইনগা থোরকপা য়াগদ্রা? য়ারবসু চুমগদ্রা হায়বনি। ৱাফমসি কাঙথোরকপদদি মণিপুরগীদমক শিরগে'মখে লেপ্লিবা মীওইশিংদি লায়রদনা ফূরুপসিগী মীয়াম হুপ্না মচিন-মচিনশিংদু শুগাইগে হায়রকপা খক্তা নত্তনা মশোক-লাক চবান থাদুনা অঙাং ওলহনগে হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? ৱাফমসি কাঙথোরক্লবা মচিন-মরৈদু খজিক্তং লেংবা হৌরকপদদা খোঙপাক্লা তিলাইখুম্বী নোইহৎখিবদৌনা শুরু-শুরু নৈহৎলগা উফুল ওনখিদোইনি। মদ্বাইদা খাম্বীনবা চোংথোরক্কনি থাজদে।

অদুবু মীতৈ/মৈতৈ মুৎকদৌরে অমসুং মুৎলমদাইগী মৈরিদৌনা ফেরে-ফেরে হাইদুনা ঙাল্লে হায়বগী ৱাফমসিদি ফূরুপসিবু নুংশিদদুনা য়েংথীরগা হায়রক্কদবা নত্তে। মুৎহন্নীংবসু নত্তে। কল্লক-খম্বনবগী ৱাখলসু নত্তে। ফূরুপসিগী চহী খরগী মমাঙদগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা ফীভম ময়ামসিদগী হায়রক্কদবনি। মসিদদি ৱাফমসি হায়রকই হায়দুনা য়েক্লবা ওইনা, খুজিলদা য়ুবা তুমদৌনা, কাঙ্খদা চঙবা লিনগুম্না অমসুং শাগৈগী মৈতাল অশিবদৌনা লৌবগী মহুত্তা করি-করম্বা ফীভমশিংদগী হায়রক্কদৌরিবনো হায়বরোমদা মায় ওনশিল্লগা য়াম্না কুপ্না য়েংহৌবা অমসুং খোঙ্গুল লীহৌবা চুমগনি হায়নীংই। মরমদি হৌজিক ফাওবগী মনুংদা মালেমসিদা লৈরম্বা অদুগা হৌজিক্লা খোঙ্গুল মুৎখিদুনা মশক-মশা উখিদ্রবা ফূরুপ খরদি লৈরে। খরা খক্তগী ৱাফম নত্তে। অমুক হিঙ্গৎলক্তুনা অতৈ ফূরুপশিংগী মরক তিল্লকখিগনি হায়বদা থাজবগী ৱাংমদা লৈরবা ফূরুপ মশীং য়ামশিল্লক্লে হায়বনি। ৱাফমসি হেক্তা হায়জিনবা অরানবা, পুন্নান-লানবা অমসুং হায়বা নুংঙাই হায়দুনা চিন্দোন-লৈতোন্দা পক্লক্কদবগী থৌওং নত্তে। ফূরুপ অমা পুন্মুৎ-মুৎখিবা হায়বসিগী তোঙান-তোঙানবা মরম ময়াম লৈ হায়বসু খঙই। মরমশিংসিগী মনুংদা মুৎখ্রবা ফূরুপশিংগী মরক্তসু অমগা অমগা মান্নদবসু য়াওরমগদোইনি। মসি ওইরবা ফাওবদা মীওইবগী ফূরুপ অমা মুৎখি-তাকখিবগীদি কম্মন ওইবা মরু ওইবা মরম খরদি লৈগদোইনি। মরমশিং অসি লৈতনদি ফূরুপ অমনা নুংশাগী মঙালদা তাকপা লিক্লা, ঈয়াইগী কোঙ্গোল ওইখিবদি য়ারোই। মরম অসিনা মণিপুরী খুন্নাইসিগী অমসুং মরু ওইনা মীতৈ/মৈতৈ হায়রিবা ফূরুপসিগী খোঙ্গুল পুন্মুৎ মুৎলগা মাঙখিবা য়াবগী লম্বীরোমদা লমজিংগদবা মরম ময়ামসিগী মনুংদা অহুমখক্তমক পল্লবদা ফূরুপসিগী মীশিং হেনগৎফম থোকপা, হেনগৎকদবা চাং য়ৌনা হেনগৎলক্তবা, মশীং শুম হন্থরকপসিসু মরু ওইখ্রবা মরমনি। অনীশুবদনা মীতৈ/মৈতৈসি অকক্লবা তম্পাক্কী চগোদগী হেন্দোকপা য়ারক্তবা, মসিগী মনুংদা অদুম্মক তাশিন-খোমজিল্লগা নৈশিন্দুনা লৈহল্লকপগী মতম শাংলকপা, হায়বদি চহী ৩ ফাজিল্লকপা অদুগা অহুমশুবদনা মীতৈ/মৈতৈসি চগোসিদগী হেক হেনে দাক-লান্থোক্লুবদা থৱায় মাঙবনি। মসিসু নীংথিজনা থৱায় মাঙহন্নবদং হাৎপা নত্তে। হূই অঙাওববু উতুপ-ৱাতুপ্না থোন্নগা হাৎপদৌনা হাৎখ্রিবনি। হৌজিক ফাওবদা ফীভমশিংসি মচি লেংদ্রিবনি। অহোংবা অমত্তা লৈত্রিবনি। মীতৈ/মৈতৈবু চফুদা য়োকপা ঙা, গুহা মনুংগী হঙোই ওইহল্লক্লিবসিগী মথক্তা লান ঙাক্লবা অমসুং খাম্নবনেনা লাকপা সিফাই নমথীবা খরনা ফাওবদা উখুলদা চৎপদা 'মণিপুর' হায়বা ষ্টেটসিগী মমিং থারগা চৎপা য়ারোই। মুখৎকদবনি নৎত্রগা খুমজিনগদবনি হায়দুনা অথিংবা পীরকখ্রিবসিদবু ফূরুপসি মুৎকদৌরে অমসুং মুৎলমদাইগী মৈরি ওইরক্লে হায়বদা হেঞ্জিনবা অমসুং মফূরুপ্পু মুৎহন-তাকহন্নীংবা ওইনা লৌগদ্রা হায়বনি। তোরা-তুনা মুৎখিবা য়াবগী মরমশিংগী মনুংদা অহুমখক্তমক পনবগী ৱানি। মরম অহুমসিগী মথক্তা য়াম্না মরু ওইনা মণিপুরী খুন্নাইসিগী, মরু ওইনা ফূরুপসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম্না হৌজিক করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে? নোংমগী পূন্সিবু হিংহনবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম পূন্নমক মীরমদগী, মপান্দগী পুশিল্লকপদা তাংলগা হিংলে। পোৎলমশিং অসিগী মপু ওইজবা ঙম্নবগীদমক শেন্দোং খজিক্তং ফংনবগী পাম্বে থিরকপদা অহিং চূপ্পা য়াওনা ২৪X৭ হাংবা য়ুঙৌ-য়ুঙাংগী দুকানশিং মশীং য়ামশিল্লক্লে। মীতৈ/মৈতৈগী ফূরুপসিনা পূন্না মায়োক্লমিন্নবা অরুবা ফীভমশিংসিগী মথক্তা ফূরুপসিগী মশেল মরক্তা ওনশিন্নদুনা খোঙচেপ হাইনরকপগী থৌদোকশিংসু নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লি। থৌওইনা পরেং লেপহল্লগা 'টি আই পেরেদ' কা তৌদুনা মশীং থিরুবদদি খূৎশা ১০ কোন্নরোইদবা মীওই ২/৪নসু মীয়ামগীনি হায়বা মমিংগা পঙথোন্দা থোঞ্জিল্লগা ওনশিন-ওনশিন্নদুনা ৱারক-ৱাতেন্লিবনি, ৱাখল তাহন্নবনি কায়না চঙজরকউ, পাউ ফাওরকউগা হায়গৎনরকপা, নোঙাল্লগনা অথিংবা কোমথোক্লেগা হায়গনবা মীওই মখল খরা থোরকপা, হরাওরিনি-নুংঙাইরিনি কায়না ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমগা পাঙথোকপদা শৈহৌদা ষ্টেট সোং 'সনা লৈবাক মণিপুর' না শৈহৌবদু শক্লুবদি অদুগা শৈরোইদনা 'চাইখ্রে ঙসি নঙগী লৌবুক্তা' হায়না শৈহৌবদু য়াওরেনা অহিং নোংশোইবা লাংলগা ওনশিন-ওনশিন্নদনা পুদ্রুপ-পুদ্রুপ পংফূদা ফূনরক্লিবা ফূরুপসিনা মুৎলমদাইগী লম্বেলদা চঙশিল্লকপা নত্তনা হিংদুনা খোঙফম চেৎনা লৈহৌগদবা অতৈ ফূরুপ্পা তৌরক্কদ্রো? মুৎপরোমদা চঙশিল্লক্লুবদি অদুম মুৎখ্রগদবনি হায়বগী ৱানি। য়াম্নদি নুংঙাইতে!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৭৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কাওরেল সলখাং ১০ লালনা খোঙচোংনা লালদা পলথেংলবদি। তুসুক লমদম পুঙলেন চাইরে। হুয়েল লালদা লানঙমঙৈদা। খারম তুসুক খুলনিংথৌ। হেমপা খাঙচেল তরেৎথকতা। মাদোম ৱায়েল থৌদাবা। হিগোক কোরি চেনবা। লৈরাং খ্বাংনৌবা। উহি চুদা নোংচঙ লৈনা। সমু কোকথোন হেননা লৈথেৎপা। মোইবুং মোইরিক পরেং। লিকলাং ঙককোই লিকশিবা। তরেৎ শেল নাসি পুংমাই লৈতেংবা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯷꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯀꯥꯑꯣꯔꯦꯜ ꯁꯂꯈꯥꯡ ꯱꯰ ꯂꯥꯂꯅꯥ ꯈꯣꯡꯆꯣꯡꯅꯥ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯄꯜꯊꯦꯡꯂꯕꯗꯤ॥ ꯇꯨꯁꯨꯛ ꯂꯝꯗꯝ ꯄꯨꯡꯂꯦꯟ ꯆꯥꯏꯔꯦ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯂꯥꯟꯉꯝꯃꯩꯗꯥ॥ ꯈꯥꯔꯝ ꯇꯨꯁꯨꯛ ꯈꯨꯂꯅꯤꯡꯊꯧ॥ ꯍꯦꯝꯄꯥ ꯈꯥꯡꯆꯦꯜ ꯇꯔꯦꯠꯊꯀꯇꯥ॥ ꯃꯥꯗꯣꯝ ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯊꯧꯗꯥꯕꯥ॥ ꯍꯤꯒꯣꯛ ꯀꯣꯔꯤ ꯆꯦꯅꯕꯥ॥ ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯈꯥꯡꯅꯧꯕꯥ॥ ꯎꯍꯤ ꯆꯨꯗꯥ ꯅꯣꯡꯆꯡ ꯂꯩꯅꯥ॥ ꯁꯃꯨ ꯀꯣꯛꯊꯣꯟ ꯍꯦꯅꯅꯥ ꯂꯩꯊꯦꯠꯄꯥ॥ ꯃꯣꯏꯕꯨꯡ ꯃꯣꯏꯔꯤꯛ ꯄꯔꯦꯡ॥ ꯂꯤꯀꯂꯥꯡ ꯉꯀꯀꯣꯏ ꯂꯤꯛꯁꯤꯕꯥ॥ ꯇꯔꯦꯠ ꯁꯦꯜ ꯅꯥꯁꯤ ꯄꯨꯡꯃꯥꯏ ꯂꯩꯇꯦꯡꯕꯥ॥ ●

# সোশল মীদিয়া



## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ঐখোয়না সোশল মীদিয়াদা মতম মতমগী ৱা ঙাঙনীংবা ঙাঙনৈ, নুপীসু-নুপাসু, অঙাংসু অহলসু। ঙাঙলিঙৈ মতমদা ঙাঙলিবা ৱা অদু কয়াম চুম্বনো, কয়াম লানবনো থোইনা খলহৌদে। অদু ফৈ, অদা ফৈ, অদু চুম্মী, অদু লাল্লি- খরা লৈরগনা অরানবসু লাল্লক্তে, অচুম্বসু চুল্লক্তে হায়বা কয়া অমা য়াওরকই।

ময়ামদুগী মরক্তা ঐনা নীংশিংদুনা লৈহৌবা খরা অদুক পঞ্জরমগে। লান তৌরনি হায়বা ৱাফম অসিনি, মতম-মতমগী ওইনা মালেম অসি কুমজা ২০০০দা লোইরনি হায়নখি। লোইখিদে। মখা তানা অদুগুম্বা মালেম অসি কায়রনি, লোইরনি হায়বা কয়া তানখ্রে, অফাওবনি অদুগী লমদুগীনি, অদাগী লমদুগীনি অফাওবনি হায় অদুবু মালেম কায়বগী, তোইবগী ৱাদি ওইদে। হৌজিকসু মালেম অসি তেক্ত-কায়দনা অসুম মখা তারদুনা লৈরি। মালেম অসি থৱান্মীচাক মচেৎ অমা কায়রক-কেল্লক তৌদুনা পুমকায় কায়বা তোইবা মৈ হৌনা চাকপা লৈত্রি। মালেম অসিদা লান কয়া পীকপা চাউবা থোকপনা থোকপনি হৌজিক মদুমক্লা ঐনা মথক্তা হায়জরিবা, মখোয়না পনবীখিবা অকিবা ৱাদুদি থোইনা থোকপা খোৎপা লৈত্রে। নুংঙাইরিবা ৱানি।



করিগুম্বা মতমদা লৈঙাক শেন্নলি-শেন্নলি হায়বসি ফেসবুক্তা য়াম্না উখ্রে, ঐনবু হায়রিবনি শেন্নলি শেন্নলি হায়বগী ৱা অসি থা মখায় থা মখায় খুদিংগী হেক হেক হায়রকপা সোশল মীদিয়াদা থেংনখি, অদুবু হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক অমা - ময়ামগী লোন্দাদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা হায়বদুদি হৌজিক ফাওবদা উদ্রি। অদুবু হায়বদি হায়নৈ, অদুনা সী এম ওইরনি, অদুনা ওইবা শোয়দ্রে, দেল্লীদা চৎখ্রে, অদুম তৌরে, অদা তৌরে, মীয়াম ঙক থাঙ্গত্তুনা খুনীং কাংখত্তুনা ঙাইনৈ, এয়রপোর্টতগী য়ৌরকপা ঙাইঙমদনা পাউ লৌবা চৎনরুরিবনি, অদুবু হেক থোরক্লগা খুমদোরকপদনা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী দেল্লীদা চৎপা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা উন্নবা চৎপা হেক্তা ওইরম্মী, মসিগী মওং অসি হৌজ থেঞ্চাং কয়া ওইরবনি। লৈঙাক্লা অসুম শেমদবা! অদুনা অসিগুম্বা পাউ অসিসু মালেম কায়রনি কায়রনি হায়বগা শুককায় কায়দবগী পাউ অদুগা চপ অসুম মান্নরকই। হোয় মালেম কায়হন্নীংবগী ৱাদি নৎচদে। লৈঙাক শেম্বদি মী শিদে ফৈ, মালেম কায়বদি মী শি পামজদে।

মতম অসিদা ঙাঙথোকখিবা ৱা ময়াম অসি লোইনা অসুম সোশল মীদিয়াদা, পাউচেদা য়াওদুনা তাউদুনা মুৎপা লৈতনা লৈনরিবনি অদুনা মমাঙথক্তা ঙাঙখিবা ৱা শেরান তুরান তৌখিবা লমচৎ শাজৎকী অহো অরাক ময়াম অদু লোইনা অমুক হন্না ফাক্কৎলগা উবা ফংলিবসি তন্দুনা ওইদবা ৱা ঙাঙবা হায়বসি য়াম্না ফরক তাবা ইকায়নীংঙাই ওইবা ৱা অমনি। মমাঙ মমাঙদা পোলিটিকেল পার্টি অমা ঙমজরেমখৈ থাগৎলগা হৌজিক্লা অনৌবা পার্টি অমদা য়াওরবা মতমদা মানা হান্না য়াওরম্বা পার্টি অদু তথী-তথীনা চৈবা নোক্লবা করেম্নবা কয়া য়াওনখ্রে। হায়রুরগনা অমা অমা ওৎত্রৈ পুত্রৈ খুম্বা অসিসু য়াম্না হৈবা য়াওনরি। মমিং লৈবী শান্নরোয় অমসু মাগী মপুরোইবা অদুবু য়াম্না ফৈ ফৈ হায়না অরোইবীদা থাগৎলম্লবা মতুংদা হৌজিক্লা অমুক মাগী নুপাদুবু শুনীংদবা নুপা অমনি হায়না সোশল মীদিয়াদা হায়রক্লে। অনী অদু নাক য়েৎ শম্লগা তারু য়েংলুবদদি হায়জিন্নবা অদু য়াওরে হায়বদু খঙই। অদুনা হৌজিক্তি ওইদবা ৱা ঙাঙবা অসি সোশল মীদিয়াদা ঙাঙবা অসি য়াম্না বেরানি।

অদুদা লুরিবদি হৌজিক্তি অদুম্মাইনা শেরান তুরান হায়খিবা ময়ামদু অদু অমুক করিসু নত্তে হায়না খন্নবা, ইকায়বা নাইনদবা, এ আইনি নৎত্রগা শেমদোক শাদোকপনি হায়না ফেকনি অদুনি হায়না হায়রকপসু য়ানবদৌনা তৌনরি।

মতম অসিদা হুরানবা নৎত্রগা অচোপ অরেম, শেল চারুবা, শেল পীজরুবা ইকায়বা অমত্তা লৈনদবদৌনা তৌরি। অদুবু খরা শেংনা লৈজনীংবা মীদদি মসি য়েংবা য়াম্না ৱায়। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোন # ৫২৪

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

পৃথিবীগী ওইনা অপূনবা রোদোদেন্দ্রোন (Rhododendron) স্পিসিস ১,০২৪ লৈবগী মনুংদা পীঙ্ক -বেল রোদোদেন্দ্রোন (Pink-bell Rhododendron) অসি সিক্কিম রাজ্যগী ষ্টেট ত্রী ওইনা শকখঙলি। পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোনগী ইংলিসকী ওইবা অতোপ্পা মমিংদা বেল-স্নো রোদোদেন্দ্রোন (Bell-Snow Rhododendron), চাইনিজ অমসুং টিবেটানদা ছিজাং মাও মাই দুজুৱান (Xizang mao mai dujuan), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা রোদোদেন্দ্রোন নিভিয়ম (Rhododendron niveum Hook.f.) হায়না কৌই অমসুং ইরিকেসী (Ericaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। পাম্বী অসিগী জিন্স রোদোদেন্দ্রোন হায়বসি অরিবা গ্রীককী ৱাহৈ রোদো হায়বদি রোজ হায়বদি গুলাপ লৈ অদুগা দেন্দ্রোন হায়বনা উ পাম্বী হায়বদি উ পাম্বীদা গুলাপ লৈ পানবা হায়বনি।




সিক্কিমগী মীওইশিংনা হিউন-পাতে গুরান্স (Hiun pate Gurans) হায়না কৌনবা পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোন পাম্বী অসি মিটর ২দগী ৬ ফাওবা ৱাংবা, চহী কয়ামরুম পূন্সিবা অপীকপা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি মসা-মৱূ য়াম্না লোংবা অদু মনা ইকেন-কেনগন্দবা অদুগা পাম্বী অদুগী মসা অমসুং মখোক অদু শূৎ নানবা পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু সেন্টিমিটর ৩দগী ১০ ফাওবা শাংদুনা নাকল অনীমক্তা হুইথৈ। নৌরিঙৈ মতমদা মনা অদু ৱাওথাংনবা নৎত্রগা য়োং মচুগী অকুপ্পা শমশিং য়াম্না কূংনা পাল্লি। মনা অদু লিশিল্লক্লবা কান্দা মথক থংবা মমায় অদুদগী কেনখিদুনা শংত্রিক শংনা থা-থা লাওবা হায়বদি শউনগুম্না তৌই অদুবু মখা থংবা মমায় অদুদদি শমশিং অদু অদুমক পান্দুনা লৈ। পাম্বী অসিগী লৈশিং অদু মাইক অমগী মওংদা সেন্টিমিটর ৩দগী ৪ ফাওবা চাউই অমসুং পাম্বী অদুগী মসাগী মতোনশিংদা চবুন ওইনা লৈ কয়ামরুম শাৎলি। লৈশিং অদু তিহ্লৌ মচু নৎত্রগা ইবুংঙো মচুদা ৱাওথাংনৈ। লৈশিং অদু এপ্রিল অমসুং মে থাশিংদা লৈশাৎ তম্মী।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোন পাম্বী অসি অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়া মরু ওইনা সিক্কিম, ভুটান অমসুং টিবেটকী খা থংবা মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি নেপালগী মফমশিংদসু হৌবগী পাউদমশিং লৈ। মহৌশাগী ওইনা পিঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোন পাম্বী অসি হিমালয়গী মফমশিং সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ২,৫০০দগীনা মিটর ৩,৬০০ হায়বদি ফুট ৮,২০০দগীনা ফুট ১১,৮০০ ৱাংবা মফমশিংদা হৌবা থেংনবীগনি।

হায়রিবা মফমশিং অসি নীংথমথাগী মতমশিংদা উন্না কুপশিন্দুনা লৈ অদুবু উন অদু হেক শৌদোকখিবগা পাম্বী অসি লৈশাৎ তম্বা হৌরকই। অইবনা কুমজা ১৯৯৬তগী ২০০০ ফাওবদা সিক্কিমগী অৱাংবা চীংশিংদা থিজিন-হুমজিনখিবা মতম অদুদা হায়রিবা পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌবা থেংনখি। সিক্কিমগী জোঙ্গু (Dzongu) অমসুং য়াকচে (Yakchey) হায়রিবা মফমশিং, ঙাক শেল্লবা কিয়োংনোসলা এলপাইন সেঞ্চুরি (Kyongnosla Alpine Sanctury) অমসুং শিংবা রোদোদেন্দ্রোন সেঙ্কচুরি (Shingba Rhododerdron Sanctury) শিংদা পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোন পাম্বীশিং অসি মপূং ফানা অমদি ঙাক শেন্দুনা য়োকখত্তুনা হৌরি।

পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোন পাম্বী অসি মীওইবনা কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসি হৌবা মফমশিংদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা পাম্বী অসি থোইদোক্লা মরু ওইনা লৌনরি। পাম্বী অসিগী লৈশিং অদু পূক্লিং হুনা ফজবা মরম্না য়ুমগী অকোয়বা অমসুং হৈকোল-লৈকোলশিংদা য়াম্না পাম্না থানৈ। ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরী লৈনবা অমসুং লাইশোন-তিনশোন তৌবদা পাম্বী অসিগী লৈশিং অসি হাপ্নৈ। পাম্বীঅসিগী লৈ অসি ফজবা অমদি মহৌশাগা চুশিন্ননা লৈমিন্নবা অদু উৎপনি হায়না থাজনৈ। অরিবা লায়েংদা পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোনগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা অপোম-অতং তৌবা অমসুং অশোক-অপন তৌবদা মহীক-মতাই চংদনবা হায়বদি ঙাকথোক্লবা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোনগী অনৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা লাইবক্তা তৈদুনা কোক চীকপা অদু লায়েংনৈ। কুমারনা কুমজা ২০১৯দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোনগী লৈ অদু কোকফায় শুজা অমসুং বেক্টেরিয়া হীংকুপ মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই। হায়রিবা পাউদম অদুনা মখা তারদুনা পাম্বী অসিগী লৈ অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু মীওইবগী খোঙ হামথবদা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। তশেংনমক পাম্বী অসিগী লৈ অদুদা ফাইটোকেমিকেলগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না অনাবা মখল কয়ামরুম ফহনবা ঙমহল্লি। পাম্বী অসিদা এন্টিওক্সিদেন্টকী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না মীওইবগী ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস (Oxidative Stress) অদু মায়োক্লবা ঙম্মী।

পীঙ্ক-বেল রোদোদেন্দ্রোনগী লৈ অদু চাননবা পোৎথোকশিং মরু ওইনা অচার, হৈ মহী, জাম, খোইহি, সিরভশিং শাবদা মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসি মৈ থানবা শীং অমা ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা উ অদু মখল কয়াগী উগী পোথোকশিং অমসুং লৈতেংগী পোথোকশিং শাবদা শীজিন্নৈ। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩০গী ৱাহং

১) "মমিং থোন্দ্রিবা ৱারী" হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "থিরি ঐহাক্লা পুন্সিগী অর্থ
থেংনগদ্রা হায়দুনা করিগুম্বা
ৱাখলগী নম্বোদা হাইহুন্না
হনবা নাইররোইদবা খোঙচৎতা ...।"

শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং মসি লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "দি সোসিও-কলচরেল এন্দ হিষ্টোরিকেল একাউন্টস ওফ মণিপুর" (২০১৫) হায়বা ইংগ্রাজিদা ইবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা" (২০১৯) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) "রামেশ্বর : নিঙম, নিঙল্লা, নিঙল্লা, নঙবু কদায়দা লৈবগে? নিঙম...।"

দাইলোগ মতেক অসি করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।